ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯴, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯸ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ১৪, ২০২৪, ইম্ফাল

৪৮শুবা চহী, ১৯১শুবা মশীং

# শকখঙদবা খুল

## ময়েক অমা পুমশেং শেংহন্নীংই

মণিপুর লৈঙাক্না লান মনুংসিদা হায়রক্লিবসি মখোয়না 'রিকগনাইজ তৌদবা' (শকখঙদবা) খুলশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খুদোংচাবা অমত্তা পীররোই হায়বা ওইরমাল্লে। ৱাফমসি হন্দক পাঙথোকখিবা ৭০শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱীক ২০২৪গী মীয়াম তিনবা থৌরমদসু হায়খি। অদুগা ওক্টোবর ১০, ২০২৪দা ফমখিবা কেবিনেট মীফমদনা লৈঙাক্কী ৱারেপ ওইনসু লৌখ্রবা মাল্লে। মণিপুরসে কুইর-কুইরগা নুংঙাইরকখিগদবা মাল্লি। থোকহন্নীংদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোরকপদা 'শকখঙদবা' হায়বা ৱাহৈসি হেক-হেক পন্নরকপদগী নুপী-অঙাং য়াওনা মীয়াম লৈবা-তাবা খুলশিংগী মরক্তসু 'শকখঙদবা খুল' হায়বশিং থোরকপা ওইরমগনি। ঙক্না থোক্তে, মরমদি মণিপুর পীকচরবসু মখল কয়াগী থৌদোক ৱাথোকশিং পীক থন্না থোক্লিবনি। হৌজিকসু ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা কাঙলূপ-ফূরুপ অনীগী মরক্তা খ্বাইদগী শাংবা তমথীরবা লান অমা চত্থরক্লিবনি। খ্বাইদগী ঙক্লিবনা লান অসি করম্বা মতমদা মতৌ করম্না লোইশিনগদগে হায়বা খঙদ্রিবনি। লাল্লকসিদা লৈঙাক্না শকখঙদবা খুলশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীফম থোকপা খুদোংচাবশিং পীররোই হায়রকপনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎলকপা অনৌবা থৌরাং-থৌশিল ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা ফিরেপসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না ময়েক শেংবা'মা অমসুং চীং -তমগী মীয়ামদা মনুং-মপান ফাওনা খঙহন-উহনবা'মা চঙই। মরমদি শকখঙদবা খুলশিংদা লৈঙাক্কী খুদোংচাবশিং পীররোই হায়রক্লিবসি লাউথোক্ত্রিঙৈ, কেবিনেট মীফম্না ৱারেপ লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদদি পীরম্রা? হান্না পীরম্বদগী পীররোই হায়রক্লিব্রা নৎত্রগা হৌরকপদগী শুংপী পীদ্রিবরা হায়বনি। অদুগা শকখঙদবা খুল হায়রক্লিবসি চাওবোক খুলশিং মশীং য়াম্না হেনগৎলকপা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং অদুসু মরু ওইনা ম্যান্মারগা তাইনবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীৎয়েং থল্লগা হায়বা ওইরবসু ৱারেপসিদি চীং অমসুং তম্পাক্কী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬মক্কীনি হায়দুনা লৌগনি। লৌফমসু থোকই। মসি ওইরগদি মী তাবা মফম অমবু লৈঙাক্না শকখঙবা খুল (ভিলেজ) অমা ওইরকপদা করি-করম্বা ক্রাইটেরিয়া চঙবগে? মথৌ তাবগে? অদুগা লৈঙাক্না মীয়ামদা পীরিবা খুদোংচাবশিংদি ওন্থোক্না য়ামখ্রে। মরোল-মরোল লৈখ্রে। ময়ামসিগী মনুংদগী করম-করম্বা পীরগা করম্বশিংনা পীরোইদৌরিবনো? মখল খুদিংমক্কী কান্নবা অমত্তা পীররোই হায়রিব্রা? শ্বাইদনি ময়েক য়াম্না শেঙবা'মা চঙই হায়রিবসি।

মরমদি শকখঙদবা খুলনি হায়দুনা মফমদুদা অনা-অয়েক, লাইচৎনচিংবা থোরল্লবসু লায়েংবগী খুদোংচাবা পীরোইদ্রা, মৈ-ঈশিংনা কম্মাই তৌবা? অঙাংশিংগী মহৈ-মশীন তম্বগীসু পীরোইদৌরিব্রা? শকখঙদবা খুলদা খুদোংচাবা অমত্তা পীররোই হায়রকপদা তুকা থিদুনা পেৎ-পেৎ তৌবগী ৱা নত্তে। ফিরেপসি য়াম্না ফজে, তৌফম থোকপনি। ইশম-শম্না খুল অনৌবা কয়া চোংখৎলক্লে, মশীং হেনগৎলক্লে হায়বনি। মসি ওইরগদি খুল অনৌবশিং চোংখৎলক্ত্রিঙৈদা ময়োল, মসা-মরেং খক্তা নত্তুনা মরূ ফুক্তুৎহৌবদি য়াদব্রা? চীংদদি চঙশিন-য়ৌশিনবা ঙম্লোই, লাম্বা ফংলোই হায়বগী তৌদ্রিবরা? মীরমদগী লোগী ৱাংমদা নারোলদা চঙশিল্লকখিবা ঙাক্কী ৱাফম নত্তনা মীশিংদি তপকেরা-থুগেরা, য়ামগেরা-য়াম্মোইরা হেনগৎলক্তবদি য়ারোই। হেনগৎলক্লিবা মীশিংদুদি কদাইদা লৈহনগনি। লৈফম লৈত্রে হায়দুনা তম্পাক্তনা লৌবুক লম্মাঙদা খুন্দাশিল্লকপা, পাৎ-তুরেলদা খোপচিল্লকপা, চীংদনা উমং-ৱামং কোকথোরক্লগা খুল শেমগৎলকপদি চুম্লোই। চুমদবশিংসি লিশাং শিৎনা তৌরকপদগী হৌজিক মায়োক্নরক্লিবা ময়ামসিসু উশিন্নদবা চুম্লোই। নোং চুরগা কা হেন্না চুবা, চুদ্রগনা কুম কাংবা, ঈচাও-ঈকং ঙাইহাক লৈতনা মায়োক্নরিবা, নোংম-নোংমগী শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা, অঈং-অশাগী খল অকিবা ফংনা কায়থরক্লিবনি। মসি ওইরগদি অনৌবা খুলশিং চরোং ওইনা হেনগৎলকপদা শকখঙদবশিংদা খুদোংচাবা পীরোই হায়দ্রিঙৈদা হেনগৎলক্তনবা থবক পায়খৎহৌগদবনি। চঙশিন-লিৎশিল্লক্তুনা লৈরিবা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংসি মশক খঙদোক্লগা মশা-মশাগী মরমদা হলহনখো। খুল অনৌবা থোরক্তবা য়াদবদগী থোরক্লবসু মশীং য়াম্লোই, হন্থরক্কনি। অনৌবা থোরকপনি, শকখঙদে হায়দুনা হ্যুমেনিটিগ্রাউন্দদা বেসিক রিক্যারমেন্টশিংদি পীদবা য়ারক্লোই। ইমাঙদা বোম-বোম তুদুনা শিজিল্লক্লগা শকখঙদবা খুলদা লৈবা মীওইশিংনি হায়দুনা মিৎচিনা ফাওবা য়েংদনা লৈথোকপা য়ারক্লোই। নারগা সী এম ঐচ টি কার্দ পীরগা লুপা লাখ অদু ফাওবা পুথোক্তুনা লায়েংবীনি হায়বগী মহুত্তা নারক্তনবা থবকশিং মাঙজৌননা পায়খৎহৌবনা চুম্মী হায়বা ৱাফমসি অনৌবা খুলশিংগী মতাংদসু এপ্লাই তৌগদবনি। লৈবাক ঙাকপসে ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী নীংঙক-নীংঙকপশিং পঙাঙদা ঙাঙবা অমসুং পঙশক শকপা য়াদবনি। লৌরক্লিবা ফিরেপসিবুদি থেংলবসু থেংনা ফৈ, থাগৎনীংই। মীনা শিবনা চিন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা হায়বা'মা লৈবনি হায়বসিসু কাউথোকহন্নীংদে হায়বনি।

# ꯁꯛꯈꯪꯗꯕ ꯈꯨꯜ

## ꯃꯌꯦꯛ ꯑꯃꯥ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯁꯦꯡꯍꯟꯅꯤꯡꯏ

[illegible]

# লৌমীশিংগী কাখল

## ফৌনাদা লিফ স্কাল্ড দিজিজ

ডা. এম থোইথোই সিংহ

নোং মরক-মরক্তা নুংশা অমুক-অমুক হাইদোরকপসিদা ফৌনা ঙাংশিনবী নৎত্রগা অয়াম্বা ফৌনাগী মতোন কংবা য়াম্না তোয়না থেংনৈ। মনাগী মতোন কোল্লা মচু চঙনা মতম কুইনা ঙাংদুনা লৈরবদি বেক্টিরিয়েল লিফ ব্লাইট, ফৌখোক্তা অকায়বা অমত্তা লৈতবা মতমদা মখা থাবা মনা ঙাংফম থোক্তবা চাংদা য়াম্না ঙাংশিল্লক্লবদি নাইট্রোজেন ৱাৎপনি। ফৌখোক মুরগা মখা তাবা মনা ঙাংলগনা ষ্টেম রোট; ফৌখোক লাংলগা মনা ঙাংলবদি সিথ রোটনি। অসুম্না মনা ঙাংবগী মরম য়াম্বনিনা হীদাকসু তোঙাল্লি। মনা ঙাংবগী অকল্লবা হীদাক অমা লৈতে। ময়াম অসিগী মথক্তা ফৌনা মতোন ঙাংশিল্লকপা, খরা লৈরগা মরাং-মরাং ওইনা উবা মতুংদা চরূ মচু ওল্লক্তুনা কঙবা Leaf Scald Disease of Rice লৌফম খুদিংদা থেংনরি। লায়না অসি লাকশিন্নবা কাঙলোন চুম্না ফৌ থাগনি; হীদাক কাপকনি।

**লায়না অসি করিনা থোকহল্লি :** লিফ স্কাল্ড দিজিজ হায়না খঙনবা ফৌগী লায়না অসি *Microdochium Oryzae* হায়না খঙনবা কোকফাইনা ফৌনাগী মতোনলোম থংবা শরুকশিংবু ঈশিং অশাবগী মনিলনা নৎত্রগা ঈশিং অশাবনা চোংখিবগুম কাথেকই, পত্থহল্লি। মতুংদা কঙশিল্লকই।

**লায়না অসি তাগনবা মতম অমসুং মফম :** লায়না অসি ফৌ পান্বীনা নৌরিঙৈদসু তাই অদুবু তাঙনা থোকই। ফৌ পান্বীনা মপূং ফারকপা, ফৌ শাৎলকপা মতমদগীদি অয়াম্বা লৌফমদা লায়না অসি থেংনৈ। মতমসিদা নোং তোয়না তারবা নৎত্রগা চিফেৎ-চিফেৎ তাদুনা লৈবা মতমদদি লায়না অসি অমুক্কা হেন্না কলহল্লি। মণিপুরদদি লৌ উবদা য়ুরিয়া য়াম্না শীজিন্নবা, য়াম্না হাপ্পগী হৈনবী লৈবসিনসু লায়না অসি চাং ৱাংনা তাবগী অচৌবা মরম অমনি। ফৌ পান্বী কূংহনবসিনসু লায়না অসি কলহল্লি। মণিপুরগীদি শঙমদা ফৌদি কিলোগ্রাম ২০গী শীজিন্নবনা অয়াম্বনি। হায়ব্রিদ ফৌদি শঙমদা কিলো ৩-৩.৫না ওকপদুসু কিলোগ্রাম মঙা শীজিন্নবা লৌফম মশীং য়াম্মী। লায়না হেন্না তাই। ফৌনাদা তীলশিংনা অকায়-অতোয় থোকহনখিবা, উকায় তকশিনখিবা লৌফমদা লায়না অসি শন্দোকপা লায়হল্লি।

**লায়ওং :** ফৌনাগী মতোন লোম থংবা শরুক্ত ঈশিং অশাবগী মনিল নৎত্রগা ঈশিং অশাবমক্না শোকহনখিবা মান্না পত্থহল্লি হায়দুনা লিফ স্কাল্ড দিজিজ হায়না খঙনৈ। লিরপ তৌবা ফৌনাগী মতোন থংবা শরুক্তা ইথক মানবা দাগশিংনা অমগী মথংদা অমা, মথং-মথং শন্দোক্তুনা লাংগনি। করিগুম্বা মনাগী মতাই থংবা শরুক্তসু চপ মান্নবা দাগশিং উগনি। দাগশিং সেন্টিমিটর ১-৫ ফাওবা শাংবা, ০.৫-১ ফাওবা পাকপা দাগ মচা ময়াম লেপ্তুনা চাওথোরকপা অমসুং দাগ অমগা দাগ অমগা শমজিন্নরক্তুনা মনাগী অয়াম্বা শরুক কঙলক্লবা মতুং ইথক মানবা দাগশিংগী মচু শিথরকপগা লোয়ননা মনাদুমক অকঙবা চরূগুম উগনি। অদুবু মনাগী মকা অমসুং ফৌ চরোংদদি লায়না তারিবা মফমদু কোনা মচু ওইনা উগনি। ফৌ মচা পোকপা মতম, মতাং কাবা মতম অমসুং ফৌ শাৎপা মতম ফাওবদা তোয়না তাগনবা লায়নানি।

**লায়না শন্দোকপগী মওং :** লায়নাসি ফৌদিদা চেন্নরকই। চরূখোকশিংদা লৈহৌবা অমসুং নাপীদা শাইদাংদুনা লৈহৌবা কোকফাইশিংগী মরূনসু শন্দোকই।

**করিগী মরু ওইরিবনো?** ফৌনাশিং খরা কঙবা নত্তনা লায়না অসিনা ফৌ পান্বীদা থোইদোক্না অকায়বা পীদবদি মাল্লি। অদুবু পান্বীগী মচীঞ্জাক শুংগদৌরিবা মনাশিংগী পাক চাউবা (Leaf area) হন্থরক্লবদি মশানা ফৌ মরূ চংবসু হন্থরনি। ফৌথোক ৱাৎলি। অতোপ্পা মরু ওইবা ৱাফম অমনা লায়নাসি তারবা লৌফম ফৌ য়ৈবা মতমদা অকঙবা মনাশিংদু য়াম্না কূপ্না তেক্কল কায়গল্লি। কা হেন্না উফুল থাংই; মীৎ পাংবা ফাওবা নুংঙাইহন্দে।

**ঙাকথোক্লবা পান্বেশিং :** (১) ফৌ লন্না থাগনি। ফৌদিগী চাং চুমহনগনি। (২) ফৌদিদা হীদাক তোৎকনি। মসিগীদমক *Pseudomonas fluorescens* মিলিলিটর নৎত্রগা গ্রাম মঙা মরূ কিলো খুদিংদা তোৎহৌগনি নৎত্রগসু Carbendazim 50%WP গ্রাম অনী ফৌদি কিলো খুদিংদা তোৎহৌগনি। (৩) লৈবাক্তা সিলিকোন য়াওবগী চাং হেনগৎনবা হোৎনগনি। (৪) নাইট্রোজেনগী চাং চপ চানা পীনবা হোৎনগনি। হেলহল্লোইসি। (৫) Pseudomonas fluorescens মিলিলিটর ৫ ঈশিং লিটর খুদিংদা য়াল্লগা শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাকসি মিলিমিটর ৫০০ কাপথোক্কনি। নৎত্রগসু Validamycin ওইনা চপ মান্নবা মওংদা শীজিন্নবসু য়াই। (৬) নৎত্রগসু Copper Oxychloride 50%WP গ্রাম ৪০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা ফৌনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি। শঙম অমদা হীদাক গ্রাম ৩০০ চংগনি।

মসি নৎত্রগসু Carbendazim 12% + Mancozeb 63% ওইনা শীজিন্নবসু য়াই। হীদাকসি গ্রাম ২৫ ঈশিং লিটর ১৫খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। শঙমদা হীদাক গ্রাম ২৫০ চংগনি। Thiophanate methyl 70% গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। শঙমদা হীদাক গ্রাম ১৫০ চংগনি। হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংদুগী মরম খুদিংমক খঙদোল্লগা মদুগী চপ চাবা থবক পাঙথোকসি। ●



# লৈবাক অমা চাওখৎপদা এক্সটেন্সন সর্ভিস (লৌশিং শন্দোকপা) কী থৌদাং

- এস সুমঙ্গল -

ঙসিগী থমজগদৌরিবা ৱাফমশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মতম-মতমগী ওইনা অহোংবা নাইনা পায়খৎলক্লিবা লৈঙাক্কী কাঙলোনশিং অদু য়াম্না খঙজিন-উশিল্লুবগী নৎত্রগা খঙলুবগী ৱারী নত্তে। চুম্নখক্কী লৌমী-শিন্মী ইচিল-ইনাওশিংগী মিৎ-মায় ওইননবা হায়দুনা থমজবখক্লি। মসিদা ঐনা চুম্মী-লাল্লি হায়না থম্বসু নত্তে। চুম্নখক্কী এক্সটেন্সন হায়দনা লৈরিবা অসি করিনো, মসিগী কান্নবনা করিনো হায়বদু ময়ামদা থল্লগদি খরা মিৎ-মায় ওইগদ্রা হায়বদুখক্কী খল্লগা খরা থমজবনি।

গ্লোবেল ফোরম ফোর রুরল এদভাইজরি সর্ভিসেস (২০১২) কী মতুংইন্না এক্সটেন্সন সর্ভিসেস নৎত্রগা রুরল এদভাইজরি সর্ভিসেস হায়বসি খুঙ্গংদা লৈরিবা লৌমী, শিন্মীশিং, অতৈ অতোপ্পা শিনফম পায়রিবশিংগী হিংবগী মগুণ হেনগৎহন্নবা পাউজেল পীদুনা মখোয়গী লৌশিং, হৈথোই-শিংথোইবা, থবক্তুদা খূৎলোয়বা (স্কিল) কয়া হেনগৎহন্নবা তাকপী-তম্বীবগী থবকশিং অদুবু খঙনৈ। খুদম ওইনা লৌউ-শিংউবদা হায়রবদা পুথোরক্লিবা অনৌ-অনৌবা থবক-থৌরমশিং (টেক্নোলোজি)- হীদাক লাংথকশিং, লৌউ কাঙলোনশিং, অনৌবা পান্বী/ভেরাইটি মখলশিং, মখোয়গী খূথা, থাবগী মতম, হার হাপ্পগী কাঙলোনশিং, অফবা মরূ করিনো, মখোয়গী কান্নবনা করিনো হায়বনচিংবা খুদিংমক অসি টেবলদা উফুল তাদুনা লৈতনবা থবক পায়খৎকদৌরিবা মখোয়গী মফমদা নিংথিনা য়ৌনননবা হোৎনবা অদুনি। অসুম্না নিংথিনা এক্সটেন্সন তৌরবতদা পোখোক-চাথোক হেনগৎতুনা লৈবাক অমা পূন্না চাওখৎমিন্নবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। লৌমী-শিন্মীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎতুনা মখোয়গী হিংবগী থাক ৱাংখৎকদৌরিবনি। মখোয় চাওখত্তনা লৈবাক অমা চাওখৎপা হায়বদু মপূং ফাবা ওইরোইদৌরিবনি। অমরোমদা, মখোয়না পূন্নমক থাকপীরিবনি, হিংহল্লিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অসিনা লৌউ পাউজেল শন্দোকপদা এক্সটেন্সনগী চাউরবা থৌদাং লৈ হায়না থমজবনি।

অসিগুম্বা এক্সটেন্সন সর্ভিসেস অসি পাঙথোক্লবগীদমক তোঙান-তোঙানবা লোয়শঙ কয়া ইন্দিয়া অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না শেন্থং কয়া অমা থাদদুনা লাক্লি। মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফ্যেরগী মখাদা দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন তোঙান্না থমদুনা মখোয়গী মখাদা তোঙান-তোঙানবা লোয়শঙশিং লীংদুনা লৈ। মসিদি পূম্নমক্না থিদোকপদা অদুমক ইফোং ফোংনা লৈরবা ৱাফম্নি। মসিদা অহৈ-অপা শাবগীসু কান্নবা লৈরোই খঞ্জে। খুদম ওইনা সেন্ট্রেলগী/ষ্টেটকী ওইবা এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিশিংদা এক্সটেন্সনগী দিরেক্টর থম্লিবা, ইন্দিয়াগী মফম মরিদা ঈ ঈ আই (এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন ইন্সটিট্যুট) লিংদুনা লৈরিবা, ষ্টেটশিংগী এগ্রি দিপার্টমেন্টশিংদা এক্সটেন্সনগী ষ্টাফ দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী হাপ্তুনা থম্লিবা, আই সী এ আরগী মখাদা কে ভি কেশিং থম্লিবা, দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী এ টি এম এ (এগ্রিকলচরেল টেক্নোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সী) লিংখৎতুনা অনৌ-অনৌবা পুথোক্লিবা টেক্নোলোজি কয়াবু লৈবাক অসিগী কাচিন কোয়া য়ৌনা শন্দোক্তুনা লৈরিবা লৌমী-শিন্মী কয়াদা মপূং ফানা য়ৌহন্দুনা মদুগী কান্নবা অদু মপূং ফানা লৌদুনা মখোয় মশাগী অমদি লৈবাক্কী চাওখৎনবা পান্দমদা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থৌরাং অসিনাএক্সটেন্সনগী চাউরবা থৌদাং লৈ হায়বদু তাক্লি।

ঙসিগী খূৎই অসিদা মরু ওইনা থম্লিংলিবা ৱাফমদি কে ভি কে, এ টি এম এ অমদি মরী লৈনবা খূৎশম্নদুনা চৎমিন্নগদবা লোয়শঙশিং কয়া অমা মণিপুরদসু লৈ হায়বদুনি। হায়রিবা লোয়ঙশিংশিং অসি কনানা, কনাগী মখাদা, মীওই কনা-কনানা মথৌ করম্না পাঙথোক্কনি হায়বদুদি ময়েক শেংনা ইদুনা, তাক্তুনা য়েৎননীংঙাই লৈত্রবা ৱাফম্নি। অদুবু হায়রিবা থবক থৌরমমিশং অসি করম্না, কনানা, কনাগী কান্নবগীদমক পাঙথোক্লি হায়বদুনা অমনি।

মতাং অসিদা এ টি এম এ করিনো, মসিগী থবক থৌরমশিং করিনো, মসিগী করি পান্দম্লো, মসিগী থৌপুবা কনা-কনানো হায়বদু শল্লপ্না মীয়ামগী মীৎ-মায় ওইনবা থমজগে। এ টি এম এ করম্না করিদগী কনানা হৌদোকখিবা হায়বা ৱারীদুদি থমজররোই।

১) এ টি এম এ হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগীদমক শেন্থং পীথদুনা পায়খৎহল্লিবা সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কিমশিংগী মনুংদা য়াম্নমক মরু ওইবা, দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা লৈবা লৌউ-শিংউ চাওখৎননবগীদমক লিংবা লোয়ননা গাইদলাইন অমগী মখাদা থবক থৌরমশিং, মরু ওইনা এক্সটেন্সনগা লোয়ননা রিছর্স খরসু য়াওনা পাঙথোকপা ইন্সটিট্যুট অমনি হায়না থমজগে।

২) এ টি এম এ হায়বসি সোসাইটিজ রেজিষ্ট্রেসন এক্ট ওফ ১৮৬০গী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা বোদি অমনি।

তোঙান-তোঙানবা ৱাখল্লোন্দা ফোঙদোক্নরকপা এ টি এম এগী পান্দম কয়াগী মরক্তগী মরু ওইবা খঞ্জরগা খরা থমজগে।

(১) হান্না লৈরল্লিবা এক্সটেন্সনগী থবক থৌরমশিংবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনবা। (২) মসিগীদমক ষ্টেট, দিষ্ট্রিক্ট অমদি খুঙ্গংগী ওইবা থাক্তা ময়ায় ওইহনবা (সেন্ট্রেলাইজ) নৌনা শেমগৎলবা ইন্সটিট্যুটশিং লিংখৎপা। (৩) পায়খৎকদবা থবক থৌরম অমগী ৱারেপ্নরকপদা লায়ননবা মওংদা মথকলোমদগী নত্তবা খুঙ্গং অমদি দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তগী (গ্রাসরুট লেভেল) মরু ওইনা লৌমীশিংদগী হৌরক্লবা শিনবা। (৪) এক্সটেন্সনগী থৌদাংশিংবু মশা ফনা হিংননবা হোৎনবা। (৫) লৈঙাক অমগী দিপার্টমেন্টশিংগা রিছর্স ইন্সটিট্যুটশিংগা অতোপ্পা মরী লৈননা থৌদাং য়ামিন্নরিবশিংগগী মরক্তা হেন্না মরী চেৎশিনহনবা অসিনচিংবা কয়া অমনি। হায়রিবা পান্দমশিং অসি ফংননবা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংদা লৈরিবা এ টি এম এ ইন্সটিট্যুটশিংনা পায়খৎলিবা থবক থৌরম খরা থমজগে।

চহী খুদিংগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অমগী মরু ওইনা শেন্মীৎলোন পাঙদবা- শা উচেক, ঙা, ফৌ অমদি মনা-মশিং থাবা লৌমীশিংগী পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী ওইবা এক্সন প্লান অমা শেম্ননবা দিষ্ট্রিক্ট অমদা লৈরিবা ব্লোক খুদিংমক্তা লৈরিবা লৌমীশিংগী ওইবা 'ব্লোক ফার্মরস এদভাইজরি কম্মিটি' অমমম শেমদুনা লৈ। হায়রিবা কম্মিটি অসিনা হান্ননা চহী ৫/৫গী ওইনা শেমদুনা লৈরবা 'ষ্ট্রেটেজিক রিছার্স এন্দ এক্সটেন্সন প্লান' গী মনুংদগী মরু ওইবা তঙাইফদবশিং মতম-মতমগী চানগদবা কূপ্না য়েংদুনা ব্লোক এক্সন প্লান শেন্মী। মসিবু মথং-মথং ষ্টেটকী থাক য়ৌনা অয়াবা পীনদুনা মপূং ফাবা পায়খৎকদবা এক্সন প্লান ওই। প্লান অসিদা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংগা লোয়ননা শেনবা-থুম্বা খুদিংমক য়াওখ্রবনি। মসিনা তাক্লিবদি এক্সন প্লান অমা শেম্বদা লৌমী ইচিল-ইনাওশিংগী মরু ওইবা থৌদাং লৈ হায়বদুনি।

প্লান অসিদা য়াওরিবশিং অসিদা অমুক ব্লোক্কী থাক্তা, দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা অমসুং ষ্টেটকী থাক্তা পায়খৎকদবা হায়দুনা অমুকসু তোঙান-তোঙান্না লৈ।

প্লান অসিদা য়াওরিবা মরু ওইবা থবক থৌরম খরা পঞ্জবা তারগদি অনৌবা টেক্নোলোজি খুদম ওইনা অনৌবা ভেরাইটি, হীদাক-লাংথক, মহৈ-মরোং অমা থাবগী অনৌবা কাঙলোন, অনৌ-অনৌবা খূৎশু-খূৎলায় অসিনচিংবা কয়া অমা মীয়াম হুপ্না খঙহন্নবা দেমোন্সত্রেসন কয়া অমা পাঙথোকপা, ত্রেনিং কয়া পীবা, কেপাসিটি বিল্ডিং পাঙথোকপা, ফার্ম-স্কুল পাঙথোক্তুনা খঙ হৈরবা লৌমী অমনা লৌমীশিংদা ত্রেনিং পীহনবা, মশাগী দিষ্ট্রিক্ট মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ৱাংমদা ষ্টেটকী মনুংদা, অতোপ্পা ষ্টেটতা কোয়না পুদুনা মফম-মফমশিং অদুদা পায়খৎলিবা থবকশিং য়েংহন্দুনা অমগা অমগা লৌশিং শন্দোক্নহনবা, দিষ্ট্রিক্ট অমদি ষ্টেটকী থাক্তা মেলা শিন্দুনা মখোয়গী পোথোকশিং য়োন্ননবা তাঞ্জা পীবতা নত্তনা লৌশিং হেনগৎহন্নবা থৌরম কয়া শিনবা অসিনচিংবা য়াওরি। হায়রিবা মেলাশিং অসিদা মাগী-মাগী শিনফমদা মায় পাক্লবা লৌমীশিং খনগৎতুনা দিষ্ট্রিক্ট অমদি ষ্টেটকী থাক্তা শেলগী ওইবা মনা পীদুনা লৌমীশিংগী পূক্লিং থৌগৎপীবসু য়াওরি। অসিদসু নত্তনা লৌমীশিংগী ওইবা গ্রুপ শেমদুনা শেলগী ওইবা তেংবাঙ পীবগী থবকসু পায়খৎলি।

অসুম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্না অপূনবা শেনফমগী চাদা ৯০ পুথোকপীদুনা অমদি মসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী ব্লোক খুদিংদা লৈরিবা য়াল্লবা থৌপুবশিংগী তোলোপসু চাদা ৯০ পীবিদুনা ষ্টেটশিংগী লৌউ পোখোক মরাং কায়না পুথোকহন্দুনা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবতা নত্তনা মীয়ামগী পুকচাক থাকপীনবা হোৎনবিরিবা ফজরবা মরু ওইরবা থৌরাং অসিগী কান্নবা অসি পুকচেল শেংনা লৌবিরবদি মণিপুর শেন্মীৎলোন্দা নিংথিনা ফগৎকনি থাজে। ●

# লৈতেংগী ওইবা ঙাশিংগী মচা পুথোকপা

- ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ -

লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং মরু ওইনা মপান লৈবাকশিংদগী পুশিল্লকপা ঙাশিং অসি লমদম অসিদা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিংবু য়োকপা মীওইশিংনা য়াম্না পাম্নরি। হায়রিবা ঙাশিং অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিং নৎত্রগা মপান লৈবাকশিংদগী পুশিল্লক্তুনা য়োক্নরি। মপান লৈবাকশিংদগী পুশিল্লকপা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপগী থৌওং অসি লমদম অসিদা পাঙথোক্নদ্রি। হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপগী থবক অসি লমদম অসিদা পাঙথোক্লবদি লমদম অসিগী মথৌ তাবা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি মেনখৎপা ঙমগনি।

লমদম অসিদা হান্নদগী লৈজরকপা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসিসু মপান লৈবাকশিংদা য়াম্না পাম্নবা মরম্না লমদম অসিগী মহৌশাগী ওইবা ঈশিংশিংদগী ফারগা য়োন্থোকখিবা মরম্না অতাঙবা ঙা কয়া মুৎখিনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরক্লি। মরম অদুনা লমদম অসিদা মহৌশাদগী লৈজরকপা ঙাশিং অসিবুসু মচা পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি। ঙা খরা অমদি মতোমতা মরূম কোকচৈ অদুবু ঙা খরা অমদি করিগুম্বা খূৎশেমগী ওইবা থৌওং খরা শীজিন্নদুনা মচা পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি। ঙানা মরূম কোকপগী থৌওংগী মতুংইন্না চাওরাক্না মখল অনী থোক্না খায়দোকপা য়াই।

ক) ওভিপেরস ওর এগ লায়রস : মরূম ওইনা কোকপা ঙাশিং :- হায়রিবা ঙাশিং অসিদি মরূম ওইনা কোকই অমদি ফর্টিলাইজেসন অসি মপান্দা তৌই। মরূমশিং অসিগী খেন্নবগী মতুংইন্না মখল অনী থোক্না অমুক খায়দোকপা য়াই হায়বদি অনপ্পা মরূম অমদি নপুবা মরূম হায়না। অনপ্পা মরূমশিং অসি করিগুম্বা পোৎশক অমদা নপ্পুনা লৈ। ঙাশিংনা মরূম কোকপগী হৈনবীগী মতুংইন্না মখল মঙা থোক্না অমুক খায়দোকপা য়াই। (১) এগ স্কেটরস, খুদম ওইনা হায়রবদা জেব্রা দাইনো, গোল্ড ফিশ (২) এগ বরিয়র, খুদম ওইনা হায়রবদা কিলটি ফিশ (পাঞ্চাক্স) (৩) এগ দিপোজিটর, খুদম ওইনা হায়রবদা এঞ্জেল, কেট ফিশ (৪) মাউথ ব্রূদর, খুদম ওইনা হায়রবদা তিলাপীয়া (তুংহনবী) (৫) নেষ্ট বিল্ডর, খুদম ওইনা হায়রবদা গৌরমি।

খ) ওভো-ভিভিপেরস ওর লাইভ বিয়রর - হায়রিবা ঙাশিং অসিদি ফর্টিলাইজেসন অসি ঙাগী মশা মনুংদা তৌই অমদি মচা ওইনা পোকই। মচা ওইনা পোকপা ঙা খরা পল্লবদা মোলটি, স্বোর্দ টেল, গুপ্পি, প্লাটি অসিনচিংবনি।

মথক্তা পনখ্রিবা ঙা মখলশিং অসিগী মতুংইন্না ঙা খরদি মফম চাবা য়েংদুনা মরূম কোল্লগা মচা ওল্লকই। ঙা খরা অমনা লৈবাক মনুংদা মরূম কোল্লগা মথংগী নোংজুথা লাকপদা মচা ওল্লকই। ঙা খরনা মরূমশিং অদু ময়াদা উমশিন্দুনা থল্লগা মচা ওল্লক্লবা মতুংদা মপান্দা থাদোরকই। করিগুম্বা ঙা খরদি মকোন শেল্লগা মরূমশিং অদু মকোন্দুদা কোকই। মচা ওইনা পোকপা ঙাশিংগী মচা পুথোকপা অসি ঙা মচা পুথোক্লবগী অরাইবা থৌওং অমনি। মরম অদুনা লৈতেংগী ওইবা ঙা মচা পুথোকপীগে খনবীরবদি মচা ওইনা পোকপা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপগী থৌওং অসি হান্না পায়খৎপীগদবনি। মচা ওইনা পোকপা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি মপান লৈবাকশিংদগী পুশিল্লকপা ঙানা অয়াম্বনি।

হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোক্লবগীদমক পাঙথোকপীগদৌবা থৌওংশিংদি :- (১) লাবা-অমোম মশক খঙদোকপা, হায়রিবা ঙাশিং অসিগী এনাল ফিন হায়বদি ঙাগী মবুক্তা য়াওবা মনিং থংবা মসা অদু পীক্তক তৌরগা শাংদোকপা অমা য়াওগনি। হায়রিবা শরুক অসি গোনোপোদিয়ম কৌই অমদি হায়রিবা শরুক অসি কৌপুলেটরি ওর্গান ওইনা শীজিন্নৈ। হায়বদি ঙা লাবশিংগী স্পর্ম ত্রান্সফর তৌনবা ওর্গান ওইনা শীজিন্নৈ। হায়রিবা ওর্গান অসি ঙা অমোমশিংদদি য়াওদে। হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পোকহন্নবগীদমক ঙা অমোম অহুম অমদি লাবা অমগী কাঙবু-কাঙবু শেমদুনা থম্বীগনি অমদি অফবা মচীঞ্জাক খুদম ওইনা হায়রবদা দাফনিয়া/কাং মচাগুম্বা পীজবীগদবনি। মেল্টিং লোইরবা মতুংদা ঙা অমোমশিং স্পর্মশিং অদু ওভিদক্টতা থা তরা থম্বা ঙম্মী। মরম অদুনা ঙা মপী অমনা লাবা য়াওদ্রবসু মচা হঞ্জিন-হঞ্জিন কোকপা ঙম্মী। ঙাগী মখল খেন্নবা অমদি ঈশিংগী অঙৈং-অশা খেন্নবগী মতুংইন্না ঙানা মচা পোল্লকপসি চয়োল অহুমদগী নিপালরোম চঙই। মচা পোক্তৌরবা অমোমশিং অসি খন্দোকপীদুনা তোঙানবা টেঙ্ক অমদা থম্বীগদৌবনি অদুগা মচা পোল্লবা মতুংদা মপীশিং অসি লৌথোকপীগদৌবনি নৎত্রবদি মপী অদুনা মচাশিং অদু চাথোকখিবসু য়াই নৎত্রগনা নাপী থাবীদুনা ঙা মচাশিং অদু লোৎচনবা মফম ফজনা শেন্বীগদবনি। অসুম্না মচা ওইনা পোকপা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিংগী মচা পুথোকপীদুনা শেন্দাল লম্বী ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি। ●